# ম্যান্মারদা দেমোক্রেসি লৈঙাক হঞ্জিল্লকপদা মীৎয়েং অমা - (১)

— সী সী মঙানলৈমা—

ম্যান্মারনা বৃটিশতগী ১৯৪৮দা নীংতম্বা ফংলবা মতুং উ নুনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা দেমোক্রেটিক সোসিএলিষ্ট কন্ত্রি অমা ওইনা লৈরকখি। অদুবু ইকুই কুইদনা মতমদুগী লান্মীগী চীফ ওফ ষ্টাফ ওইখিবা, নে ৱিননা কু অমা চথদুনা ১৯৬২দগী ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লিংলকপগী পুৱারী হৌদোকখি। কু অদুগী খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমনি হায়না লান্মীশিংগী মায়কৈদগী পুখৎলকখিবা অসি, মতমদুগী লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসন (১৯৪৭) অসি ম্যান্মারগী অপূনবা শক্তম ঙাক্তুনা থম্বদা অহোবা কয়া লৈ অমসুং মতমদুদা Shan অমদি Kayah না ম্যান্মার য়ুনিয়নদগী হন্দোক্লবা ৱাফম লাকখিবা অদুসু মসিদগীনি হায়না লৌরকখিবদগী অনৌবা লৈঙাকলোন অমা লাকহন্নবগীদমক মিলিটরিগী কু অদু চথখিবনি হায়বসিনি। মতম অদুদা উ নুগী AFPFL (Anti-Fascist People's Freedom League) গী লৈঙাক্লসু বুদ্ধিজমনা ষ্টেটকী রিলিজন ওইহন্নবা হোৎনরকখিবা অদুনা হান্না খৃষ্টিয়ন ওইখ্রবা ইথনিক মাইনোরিটিশিংদা ওটোনোমিগী ঈহৌ কনখৎনবগী মরম অমসু ওইহনখি। মরমশিং অসি লৈবগা লোয়ননা মতমদুগী ম্যান্মারগী ফেদরেল সিষ্টম অমদি পার্লিয়ামেন্ট-ষ্টাইল গভর্ণমেন্ট অদুগী অশোনবশিংদা খুদোংচাবা লৌরগা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ইথনিক মাইনোরিটিশিংদগী থোক্লক্তুনা ম্যান্মারগী অপূনবা শক্তমদা চাউনা শিংনরকখিবা অদু থিংবা হায়বসি অকনবা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমা লৈতনা ওইথোক্লোই হায়বদগী মিলিটরিগী লৈঙাক অসি লাকখিবনি। মদু ঙসিগী কু অসিগী লুচিংবা লান্মীশিংদা লৈরিবা ৱাখল্লোন অদুগা মান্ননা লৈ।

ম্যান্মারগী মিলিটরি অসি হকচিনবা নেসনেলিষ্টশিংনা লুচিংদুনা শেমগৎলকপা লান্মী শঙলূপ অমনি হায়না ময়াম্না লৌনৈ। মখোয়গী ৱাখলদা মিলিটরিগী থৌদাং য়াওহনবা কন্সটিট্যুসন অমা লৈহন্দুনা লৈবাক অসিগী লৈঙাকলোন ওইহনগদবনি হায়বসিদা থাজবা থম্বদগী ২০০৮গী কন্সটিট্যুসন অসি শেমদুনা ম্যান্মারদা মিলিটরিগী রোল য়াম্না য়াওবা দেমোক্রেসি লৈঙাক অমা লিংবা হৌরকখি। অদুবু লান্মীগী মীহুৎনা চাদা ২৫ ওইবা অদুগা ঙাক-শেলগী থবক খুদিংমক মিলিটরিগী মীহুৎশিংনা পায়গদবা ওইবনা NLD (National League for Democracy) অমদি অতৈ লৈঙাক পায়মিন্নরিবা ইথনিক পার্টিশিংনা ২০০৮গী কন্সটিট্যুসন অসি অনদেমোক্রেটিক ওই অমসুং মসিনা অহেনবা দেমোক্রেসি লৈঙাক অমা ম্যান্মারদা লৈহনবা ঙম্লোই অমদি ইথনিক মাইনোরিটিশিংগা ঈংনা-চিক্না লৈমিন্নবদা মসিনা অপনবা ওইগনি হায়বগী ৱাফম লাকহনখিবদগী কন্সটিট্যুসন অসি শেমদোক্লবা পার্লিয়ামেন্টতা অকনবা মওংদা পুখৎলকপা হৌরকখি। লান্মীগী মীহুৎশিং অমদি লান্মীদগী শেল্লকখিবা USDP (Union Solidarity and Development Party) গী মীহুৎশিংনা মতমগা চানবা ফীভমশিংদা শেমদোক-শেমজিন খরা তৌরবসু কন্সটিট্যুসনগী মপূং ওইবা হীরমশিংদদি হোংদোকপা য়ারোই হায়বগী ৱাফম কন্না লাকপদগী লৈঙাক মনুংদা চাউনা মুক্লবা লৈরকখি। হন্দক্কী ২০২০গী ইলেক্সনদসু মমাঙগীদগী হেন্না এন এল দিনা মীহুৎশিং কারকপদগী লান্মীশিংগী ৱাখলদা অমুক হেন্না কন্সটিট্যুসন হোংদোকহন্নবা পার্লিয়ামেন্টতা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়না থাজবা লৈবনা এন এল দিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক অসি মখা তানা লৈহন্দনবা ফেব্রুৱারী ১দা কু তৌদুনা মিলিটরিগী লৈঙাক অসি লিংবা হৌখিবনি।

হৌজিক মিলিটরি লৈঙাক অমদি মখোয়গী মায়োক্তা লৈরিবা NUG (National Unity Government) অনীমক্না অমনা অমবু অনলোফুল এসোসিএসননি নৎত্রগা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোক্তুনা অমনা অমগী মায়োক্তা থবক কন্না চঙশিন্নরি। মীয়ামগী মীহুৎশিংনা শেল্লকখিবনি হায়বগী মীংদা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিং হায়বদি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, য়ু কে, ফ্রান্স, চেক রিপব্লিক, ওষ্ট্রেলিয়া অমদি সাউথ কোরিয়ানা এন য়ু জিগী রিপ্রজেন্টেটিভশিংবু ওফিস হাংহন্দুনা থম্লকপা হৌখ্রে। মরু ওইনা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা এন য়ু জি অমদি মসিগী পার্লিয়ামেন্টরি CRPH (Committee Representing Pyidaungsu Hluthaw) বু ম্যান্মারগী লেজিটিমেট রিপ্রজেন্টেটিভশিংনি হায়না ভোট লৌনদুনা য়ানখিবা লৈখ্রবনি। অদুম ওইনমক ম্যান্মারগী মিলিটরি লৈঙাক অসিবু হাক্কল্লিবা রুসিয়া অমদি চাইনানা ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা চঙশিল্লকপা য়াবা ফীভম খুদিংমক নাকোয়ননা থিংদুনা লাক্লি। এন য়ু জিনদি শুংশোয় শোয়দনা মিলিটরি লৈঙাক অসিগী মথক্তা ৱেষ্টর্ন ফোর্সশিং, মরু ওইনা য়ু এসনা লান্মীগী পাঙ্গল শীজিন্নরক্কনি হায়না থাজদুনা লাকখিবনি। হৌজিক চথরিবা PDF (People's Defence Force) শিংগী গরিলা এটেকশিং অসি ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা মীৎয়েং হেন্না চঙশিল্লক্লবা তৌবা খোঙজংগী শরুক অমনি হায়না এন য়ু জিগী ৱাঙাঙলোইশিংনসু ফোঙদোকখ্রবনি। অদুমকপু হৌজিক ফাওবদি কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তনা হকথেংননা লান্মীগী পাঙ্গল শীজিন্নরক্তুনা মতেং পাংলকপগী খুদম উবা ফংদ্রি।

য়ু এসনা হ্যুমেন রাইটস ঙাক শেন্নবা নৎত্রগা দেমোক্রেসি য়োকখৎনবগী মীংদা লৈবাক ৮৫দা মিলিটরিগী ওইবা খূৎ থিংজিন্দুনা পাঙ্গল শীজিন্নখিবগী পুৱারী লৈ। ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংনা অপূনবা ফোর্সশিং শেমদুনা Tyranny শিংগী মথক্তা এটেক তৌদুনা লাকখিবগী পুৱারী ময়াম্না লোইনা খঙনরে। অদুবু মখোয়না চথরকখিবা লৈবাক অমদা লান্দাবা অদু করম্বা মখলগী লাননো হায়বসি মথং মথং নৈনরকপদগী হৌজিক্তি মখোয়গী অরানবশিং মশানা খঙজরক্তুনা মদুবু পারা ওইনা তমশিনহৌদ্রবদি ৱেষ্টর্ন সিভিলাইজেসনগী ফজরবা আইদিয়াশিং মাঙখ্রগনি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা পুথোক্লরক্লবা মতমনি। য়ু এসনা ভিএটনামদা লান্দাবা মতমদা মশামক্কী মীয়াম্না মদুগী মায়োক্তা লৈখিবা, ইরাক্কী লানদা য়ু কেদা মীওই মিলিয়ন অমা হেনবনা য়ানীংদবগী প্রোটেষ্ট তৌখিবা অমদি হন্দক্কী অফঘানিষ্টানদা য়ু এস অমদি চুংশিন্নবা লৈবাকশিংনা হন্দোকখিবদগী ওইহৌবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিসশিং মখোয়গী অরানবা থৌওংশিংদগীনি হায়বসি ময়াম্না খঙনরবনি। ইরাক অমদি লিবিয়াদা রেজিম চেঞ্জ তৌনবা অরানবা য়ূম্ফমদা লান্মীগী পাঙ্গল শীজিন্নখিবা অদুগী মহয় লৈবাকশিং অসিনা ওইনা ফংহৌদুনা লোইবা খন্বা নাইদ্রবা ফুরুপশিংগী লানফম ওইহৌরে। মীগী লৈবাক্তা খূৎ থিংজিনবগী হৈনবী অদু সিরিয়াদসু উৎলুবদগী অসাদকী রেজিম অমদি প্রো-দেমোক্রেটিক ইন্সর্জেন্টশিং অনীগী কনফ্লিক্ট অদু য়ু এস অমসুং রসিয়াগী পাঙ্গল চাংয়েংফম ওইরকপদা নত্তনা ইরান অমদি সাউদি অরাবিয়াগী মুক্লবা ওইহন্দুনা রিজন অসিদা লানগী চরাংনবা ফীভম কয়া লেপ্তুনা থোকহল্লক্লি। মথক্তা পল্লিবা খরা অসিদংদা, মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া য়ু এসকী পাঙ্গল উৎনবা হোৎনবদা অশি-অনা নংহনবতা নত্তনা মশীং থিঙমদ্রবা মীওই কয়া লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবনি। ফীভমশিং অসিদা য়ু এস নৎত্রগা চুংশিন্নবা ফোর্সেসশিংনা অনৌবা লানদা অমা ম্যান্মার রেজিমগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা য়াই হায়না খনবা য়াম্না লুবা ৱাফম অমনি।

নাকল অমদনা ম্যান্মারদা অতোপ্পা ফোর্সেসশিংনা চঙশিল্লকপা মতমদা চাইনানা য়াগদ্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। হৌজিক চাইনানা টাইৱানবু লান্মীগী পাঙ্গল য়াওহন্দনা হঞ্জিল্লকপা পাল্লবসু ৱেষ্টর্ন কন্ত্রিশিংগী থৌওংনা খূৎলায় শীজিন্নদবা য়ারক্তবগী মওং লাকহল্লিবা, সাউথ চাইনা সিদা লৈরিবা ঙাক-শেনবগী থৌরাং অমদি অরুনাচল প্রদেশপু চাইনাগী মেপতা য়াওহন্নবা তৌরিবশিং অসি ম্যান্মারদা লৈরক্কদবা লানগী ফীভমশিংগা য়াম্না মরী লৈনরক্কনি হায়বসি মখোয়না খল্লমগনি। হৌজিক হৌজিক য়ু এসকী বেজশিং জপানদা, ফিল্লিপীন্সদা অমদি সাউথ কোরিয়াদা লৈরিবা অসিনা চাইনাগী সিক্যুরিটিদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইদুনা লৈরিঙৈ মতম অসিদা ম্যান্মারদা অনৌবা বেজ অমা য়ু এসনা হাংলকপা য়াবগী খুদোংচাবা পীবা চাইনানা কৈদৌঙৈদা পাল্লোই। মমাঙঙৈদা চাইনানা শোল্লিঙৈ মতমদা ৱেষ্টর্ন পৱারশিংনা এসিয়া রিজনদা তৌনীংবতা তৌরম্বা অদু হৌজিক্তি পংয়া য়াররোই হায়বসি হন্দক কানাদাদা ফাজিন্দুনা থম্লুবা Huawei গী Chief Financial Officer, Meng Wanzhou না মরমদম চাইনাদা হল্লকখিবা মতমদা হায়খিবা, চাইনানা মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইবদগী মহাক্কী মনীংতম্বা অসি ফংলকপনি হায়খিবদু মালেমগী লৈবাকশিংনা তারিবনি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংনবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)না ময়াই কাবা চীঞ্জাক মরূ ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা তোঙান তোঙানবা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা উয়ুম্পোক খুঞ্জাও ইমোইনু কৈথেলদা উয়ুম্পোক মহিলা ৱেলফেয়র এসোসিএসন, ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব উয়ুম্পোক অমসুং কাদা উয়ুম্পোক য়ুনিটকা পূন্না খূৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অদুদা উয়ুম্পোক মহিলা ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম মোমোন, ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব উয়ুম্পোককী ভাইস প্রসিদেন্ট হৈক্রুজম কবিরাজ অমসুং কাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী রিসোর্ছ পর্সন ওইনা কাদাগী জেনরেল সেক্রেটরি গীতচন্দ্র মঙাংনা শরুক য়ারদুনা হায়খিবদা, হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী য়ূমথোঙ অয়াম্বদা মপা ওইবশিংনা য়ু থকপা অদুগা মমা ওইবী অয়াম্বনা ক্বা জর্দা চাবা মশিং য়াম্লে। অদুবু মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবীশিং অদুবুদি অফবা মশা-মঙৌ ফনা তিঞ্জং কায়জংদবা মীওই অমমম ওইহন্নিংই। অদুবু মতাং অসিদা কৈনা তোকপা পোকপা হৌনদে। ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মমা-মপানা পোকপা মচা অয়াম্বা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা ওইনা হৌরকই। মরম অদুনা অফবা ইচা-ইশু শেমগে হায়রবদি মমা মপা ওইবশিংদগী হৌদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক শীজিন্নদবা মীওই অমমম ওইবা চঙই।

মমা-মপানা য়ু থল্লগা, ক্বা চারগা মচা ওইবশিংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং চাগনু অমদি চাবা ফত্তে হায়বদা করিসু তাবীরোই। মদুগী মহুত্তা মখোয়গী মতৌ ওইনা তম্লক্কনি হায়না ফোঙদোকখি।

## হৈরোক এ সীদা ইমুং ২৯ কোংগ্রেস তোক্লগা বি জে পিদা য়াওখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা নোংপোক সেকমাইদগী ইমুং ২৩, হিজম খুন্নৌদগী ইমুং ১ অমসুং থোকচোম খুলদগী ইমুং ৫গী পূন্না মীওই ৭৩ কোংগ্রেস পার্টিদগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওশিল্লক্তুনা এম এল এ দা. থোকচোম রাধেশ্যামদা শৌগৎখ্রে।

কোংগ্রেস পার্টি অমদি হৈরোক এ সীদা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাংলিবা হান্নগী এক্স-এম এল এদা থাজবা অমত্তা লৈত্রে হায়দুনা বি জে পিগী এম এল এ রাধেশ্যামদা সপোর্ট তৌনবা ফিরেপ লৌবনি হায়না নৌনা বি জে পিদা য়াওরল্লবশিং অদুনা ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ রাধেশ্যামনা তেল্লবা মতমদা হৈরোক এ সীদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া অসিদা অপেনবা পোকই, হেন্না চাওখৎপা এ সী অমা ওইনবা এম এল এ রাধেশ্যামবু মতম শাংনা হৈরোক এ সীগী মীহুৎ ওইহন্নবগী পান্দমদা কোংগ্রেসতগী লাপথোরকপনি হায়খি।

হৈরোক এ সীদা কোংগ্রেস অমসুং অতোপ্পা পার্টিগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরিবশিংনা ভোটশিংবু শেলনা লৈবা য়াগনি খল্লিবা ৱাখলশিং অদুবু চপ চাবা পারা তম্বীগনি, এম এল এ রাধেশ্যামদা থৱায় হকচাং য়াওনা শৌগৎকনি হায়বা ৱাফমশিংসু থম্লখি।

এম এল এ রাধেশ্যামনা কোভিদ-১৯গী ৱানরবা মতমদা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা হৈরোক এ সীগী মীয়ামগীদমক হোৎনবীখিবশিং অদু অপেনবা পোকচৈ। এম এল এ রাধেশ্যাম অসি অতাংবা লুচিংবনি, মতম শাংনা হৈরোক এ সীগী এম এল এ ওইনবা মীয়াম্নসু মহাকপু মায় পাকহনবীয়ু অমদি শৌগৎপীয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী বি জে পিদা নৌনা চঙলকপশিং তরাম্না ওকপগী থৌরমশিং অদুদা বি জে পি হৈরোক মন্দলগী প্রসিদেন্ট টিঐচ চৌরজিৎ, শিখোঙ সেকমাই ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী হান্নগী কাওন্সিল্লর ৱাই ইন্দ্রানি অমসুং অতৈ বি জে পিগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

## দিনেশ্বরনা য়ূম শাদুনা খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): পাৎশোই পার্ট-টুদা খ্বাইদগী শোত্থরবা মশাগী য়ূম শাজবা ঙমদনা লৈরকখিবা এনজি চিংলেনখোম্বগী য়ূম অমা ৱাহেংবম দিনেশ্বরনা য়ূম শাদুনা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

য়ূম শাদুনা খূৎশিন্নখিবগী থৌরম অদুদা পাৎশোই এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইগনি হায়না থোরক্লিবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ৱাহেংবম দিনেশ্বরনা হায়, মতম কয়াদগী এনজি চিংলেনখোম্বগী য়ূম শাবা ঙমদদুনা লৈরে হায়না পাউ পীরকপদগী মহাক্কী য়ূম অমত্তং ওইরবসু শাগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা য়ূম শাদুনা মতেং পাংবনি। য়ূম অসি য়াম্না চাওবা নৎত্রবসু মচা অমখক শাবা ঙম্বা অসিদা ঐঙোন্দসু নুংঙাইবা ফাওই।

পাৎশোই কেন্দ্রগী মনুংদা হেন্না শোত্থরবা য়ূম শাবা ঙমদবশিংগী চাউরাক্না য়ূম ৫রোম শাদুনা খূৎশিন্নখ্রে। ঐনা ঙসি মীহুৎ অমা ওইগে অমদি মীখল থেংনজগে থোক্লক্লিবা অসি পার্টি অমত্তগী ইন্ফ্লুএন্সতা থোক্লকপা নত্তে। পাৎশোই এ সী অসি খ্বাইদগী শোত্থরবা এ সী অমা ওইবা মরম্না শেমগৎ শাগৎপগী থৌদাং লৌদুনা চাওখৎপা পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনরমগে হায়বগী পান্দমদা থোক্লকপনি হায়খি।

## মপোক নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর পুলিস লিংখৎখিবগী চহী ১৩০শুবা মপোক নুমীৎকী থৌরমগা মরি লৈননা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মখাদা লৈরিবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা তোঙান-তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে। ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েঙ্খোমগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিস ষ্টেসনশিং অমদি পুলিস সাইকল পেট্রোল য়ুনিটনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান-তোঙানবা কৈথেলশিং অমদি খুল খুলশিংদা চৎতুনা অথুম অহাওশিং য়েন্থোকপা, ফেস মাস্ক য়েন্থোকপা অমদি কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্না চৎনবা মীয়ামদা পাউজেল পীখি হায়রি।

## মোনিটর লিজার্দ অমা রেঞ্জ ফোরেষ্টতা খূৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাংমৈদোং বাজার অৱাং লৈকায়গী ময়াদা লৈবা সী দি ব্লোক ময়াদা মশাগী চহী ১০ খক্তা ঙাইরিবা জে এস সী থেসারস অপোকপা ডা. জি তেননা মোনিতর লিজার্দ অমা হুইনা কোইতান তান্নদুনা লৈরে হায়না জে ইন কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্দ লাইফ এন্দ বাইওদাইভরসিটি (জে সী সী দব্লিয়ু) মণিপুরগী হেল্প লাইনদা পাউ ফাওরকপদগী খুদক্তা কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

কনবা ঙমখ্রবা মোনিটর লিজার্দ অদু রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসকী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা লাইফম খুনৌ লাইচিং প্রোটেক্টেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা অশোয় অঙাম য়াওদনা থাদোকখ্রে। জে সী সী দব্লিয়ু বিগী কনভেনর রোমেশ নিংথৌজমনা থাগৎ ৱাহৈগা লোয়ননা পিক্লিবা অঙাং অসিনা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু নুংশিবগী ৱাখল্লোল চেন্দুনা শা অসিবু মতম চানা কনবিরম্বা অসিগীদমক জে সী সী দব্লিয়ু বিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## নরান কোঞ্জিলদা ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্ট অমসুং সন ফ্লাৱর ক্লবকা খূৎশম্নরগা অনীশুবা মাস কোভিদ ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি নরানকোঞ্জিন ময়াই লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে হায়না সন ফ্লাৱর ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি টিঐচ প্রেমচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসনগী থৌরম অদুদা মীওই ১৬৯ মুক্না অনীশুবা দোজ কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখি। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অসিদা ৱাঙ্গোইগী এস দি ওনা লৌবিখিবা থৌদাংগীদমক্তা ক্লব অসিনা হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপসু ফোঙদোরক্লি। চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ভেক্সিনেসনগী থৌরম পাঙথোক্লবা হোৎনবদা লাংথবাল এ সীগী এম এল এ করাম শ্যাম, এক্স এম এল এ ওক্রম জোয়, হিয়াংথাং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান রোয় অমসুং হিয়াংথাং গ্রাম পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদ এস শিল্লাসনানা শেলগী মতেং পাংঙবিরকপগীদমক অমদি ভেক্সিনেসনগী থৌরম অসিদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দোক্টর, নর্স অমদি অশাগী ৱার্করশিংবুসু ক্লবকী মায়কৈদগী থাগৎপসু ফোঙদোরকখি।

## 'নন-মণিপুরীশিংনা হেন্দলুমগী পোৎ-চৈ য়োল্লম্লবদি মশা মশানা তেকচাক পুগদবনি'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): ইমা কৈথেলগী অকোয়বদা থিহুমদুনা ফন্লিবা নন-মণিপুরীশিংনা মণিপুরগী হেন্দলুমগী পোত্থোকশিং য়োল্লম্বা থেংনরবদি মসিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক মশা মশানা পুজগদবনি হায়না খ্বাইরক্পন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লুপ্না ফোঙদোকখ্রে।

লৈমরেল শিদবী ইমা কৈথেলদা পাউমীশিংগা উনবগী মীফম অমদা লুপ অসিগী সেক্রেটরি থিঙুজম ওংবী রানিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তানা হায়, হৌজিক লৈরিবা ইমা কৈথেল অসিদা কৈথেল ফন্লিবী নুপীশিংদা অদুক্কী মতিক শোত্থরকপা হায়বদু ওইরে। মমাঙগী লৈঙাক্না কুমজা ২০০৬ তগী কৈথেল অসি শাদুনা ২০১১দগী কৈথেল ফম্বা হৌদুনা লাকখ্রবসু ঙসিদি কৈথেল ফম্বা ঙমদবগী ফিভমদা লাক্লে।

কৈথেলশিং অসি নোংমা নোংমগী শোত্থরকপগী ফিভমদা লাক্লি। মালেমদা মমিং চৎলিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মশক হৌজিক্তি মাঙথরক্তুনা কৈথেল ফম্বগী ৱাহন্থোক লৈতবগা চপ মান্নরে। কৈথেল অসি করম্না ফমহন্দুনা অমদি পোৎ-চৈ লৈগদবা কৈথেল করম্না ওইহনগদগে হায়বসি মণিপুর লৈঙাক অমসুং আই এম সীনা খন্থবা তৌদ্রি।

হৌজিক উরিবা কৈথেলগী মশক অসি কৈথেলগা লম্বীগা খেন্নবা লৈরক্ত্রে। ইমা কৈথেলগী অকোয়বদা নন-মণিপুরীশিংনা পোৎ-চৈ কয়া য়োল্লিবশিং অসিসু ইমা কৈথেলদা য়োনবা ফিশিং য়াওনা য়োনশিল্লকপা অসিনা কৈথেল ফন্লিবীশিংদা চাওনা চৈথেং পীবা মরম্না কৈথেল পোৎ য়োল্লিবশিংদা নোংমা নোংমগী শীথহল্লকপা হায়বদু ওইরে।

নন-মণিপুরীশিংনা কৈথেলশিং অসিদা য়োন্দবা পোৎ-চৈশিং লৈশিল্লক্ত্রে। মসিদসু নত্তনা রাণিফি ফাওবা মতৌ তম্লগা মপান্দা শারগা পুশিল্লক্তুনা য়োনবগী থৌওং অসিনা রাণি ফিগী ফজবা মশক লৈরক্তবগুম্না তৌরে হায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, হান্নদগী য়োন্দুনা লৈরল্লবা সেট সেটকা য়োঞ্জবা ফি মখলশিং লৈজরিবনি। মসিদা মখোয়না লোইনা য়োনশিল্লকপখক নত্তনা হান্না পূন্না পূন্না মতম মতমগী লাকপা থৌরমশিংদা থারম্বশিং নন-মণিপুরীশিংনা লোইনা পায়শিল্লক্লে। নাৎ, লাইনিংগী ওইরবসু ফিজেৎশিং অয়াম্বা নন-মণিপুরীশিংনা পায়শিল্লকপা মরম্না কৈথেল অসিসু মখোয়না তপ্পা তপ্পা পায়শিল্লক্লি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা কৈথেলশিং অসিদা নুপীশিংনা কয়াম কুইনা থোরক্তুনা পোৎ য়োনবা ঙমগদৌরিবনো। মসিদসু নত্তনা লম্বীদা ফিরোল য়োল্লকপা অসিনা লম্বীগা কৈথেলগা খেন্নবা লৈরক্ত্রবনি। নুপী কৈথেলশিং হৌজিক হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট খূদিংগী শারি। মরম অদুনা দিষ্ট্রিক্টৱাইজ ওইনা কৈথেল ফমহল্লিবসি মী চিনবগী চাংসু হন্থগনি। ফার্ম তৌবীরিবশিংনসু কৈথেলদা থারল্লগা চৎখিগদবা অদুসু মখোয়না য়োল্লগা চৎকনি হায়দুনা য়োল্লকপনা গাড়ীশিং কৈথেলদা অমুক্না হেন্না চিলহল্লে। কৈথেল ফম্বীশিং খূৎলামখা কৌদবা য়াওরক্লে। অসিগুম্বা ফিভম অসি য়েংলুরগদি নন-মণিপুরীশিংনা ইমা কৈথেল ফাওবা পায়শিল্লক্লে হায়বা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নন মণিপুরী দুকান্দগী কাংখল কয়া অমসু ফাখি।

মরম অদুনা নুমিৎ অসিদগী নন-মণিপুরীশিংনা কৈথেলগী অকোয়বদা ফমজিল্লক্তুনা লমদম অসিগী ইয়োংগী পোত্থোকশিং য়োনবীরগনু। কৈথেল মনুংদা য়োনবসু য়ারোই। লোয়ননা কৈথেল নম্বর-১দা ফম্বা লৈমরেল শিদবীগী কার্দ পায়রিবশিংনসু হৌজিক্তি কৈথেল মনুংদা চঙবীরক্তুনা পোৎফম ফম্বীরো। লোয়ননা ষ্ট্রিট ভেন্দরদা ফন্লিবা মীওইশিংগী য়েংবীদুনা আই এম সী অমদি লৈঙাক্না অফবা লম্বী তুং কোয়না লৈহৌনবা থৌরাং থৌশীল শেম্বীয়ু হায়খি।

ꯑꯣꯔꯗꯔ/পাইলীং তৌগদবশিংগী ORDER লৌজরি

অদোমগী মফমদা নীংশিংজরি মদুদি য়ুম শাবা, স্কুল শাবা, ৱাল ফেন্সিং অমদি ডাক্টর শঙশিং শানবশিংগীদমক অপাম্বা মওংদা পাইলীং তৌজরি। ঙসিমক য়াম্না থুনা পাইলীংগী ওর্দর তৌবিরকউ। অদোমগীদমক কন্টেক্ট নম্বর মখাদা পীজরি।

HL-P/0394/19, 20
Contact No. 7628093647

ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯡꯖꯔꯤ / ইংখোল য়োঙ্গরি

শিংজমৈ খোংনাং ফৈদেকপীদা থোঙাম প্রেমলাতা দেবীগী মিংদা লৈবা .4$\frac{1}{2}$ (পোইন্ট মরি মখাই) পাক চাওবা ইঙ্খোলগী পাট্টা নং 48 (old), 284/1938 (new), দাগ নং 1305/1791 অসি অথুবদা য়োঙ্গরি, কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চেদা হাপ্পা নুমীৎতগী নুমীৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ। মখা তাবা ৱাকৎ লৌজরোই। মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা মরী লৈনবা পাউ খূদিং ফাওবীরকপা য়াগনি।

Contact No. : 8132010849
7085393298
HL-P/0407/20

OFFICE OF THE GRADUATE TEACHER PROMOTION DEMAND COMMITTEE MANIPUR (GTPDCM)
H/O : KEISHAMTHONG H/S.

ꯃꯤꯇꯤꯡ / ওজাশিংগী PROMOTION MEETING

চৎলিবা ওক্টোবর তাং ২২গী নুংথিল পুং ১ তাবদা Keishamthong H/S দা Graduate Teacher দা Promotion কানবা ACR পীশিনখিবা 2010 অমসুং মমাংগী Primary ওজাশিংগী General Body মীফম অমা পাঙথোক্তুনা হৌজিক চঙশিল্লিবা Promotion Process অমসুং Promotion থুনা ফংনবা কুপ্পা খন্নগনি। মরী লৈনবা ওজাশিংনা মতম চানা লাকপীনবা নীংশিংজরি। লাক্তবশিংগী ৱাকৎ Committee না তুংদা লৌজরোই।

Sd/- L. Joykumar Singh
General Secretary
HL-P/0410/20

ꯏꯪꯈꯣꯜ ꯌꯣꯡꯖꯔꯤ / ইংখোল য়োঙ্গরি

পোইন্ট ৮ পাক চাওবা ইঙ্খোল অমা য়ূমগা কোন্ননা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বা পাম্বীরবদি মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ।
মফম : লমশাং মখা লৈকাই

Contact No. : 8131042194
8794761374
HL-P/0388/19,20,21

ꯂꯥꯏꯑꯣꯟꯁ ꯀ꯭ꯂꯕ ꯑꯣꯐ ꯏꯝꯐꯥꯜ
LIONS CLUB OF IMPHAL
INTERNATIONAL ASSOCIATION OF LIONS CLUBS: DISTRICT 322D

ANNOUNCEMENT

In connection with the observance of UN Day on the 24th October, 2021, a debating competition would be organized under the aegis of Lions Club of Imphal at 2:00 pm at Lions Service Centre, Sangaiprou, Airport Road, Imphal.

The Students from Class X to degree level are eligible for participation in this academic exercise.

The medium of debate will be English.

The intending students may submit their names and other particulars to Lions Club of Imphal through the head of their Institution or directly to Lions Club of Imphal on or before the 24th October, 2021.

The prizes are as follows:

1. First Prize - ₹ 7,000/-
2. Second Prize - ₹ 5,000/-
3. Third Prize - ₹ 3,000/- respectively.

There will also be three consolation prizes of ₹ 500/- each.

There is a Team Championship Running Trophy.

The premise of the debate is:

**"The mobilization of critical COVID-19 supplies into India under the WHO supervision is an example of global solidarity that is required to address a global threat. Such an act of oneness will surely change the course of the pandemic"**

Thanking you with Lionistic regards.

Sd/- **Lion Thoudam Imomacha Singh**
Chairman, Debate Organizing Committee,
Lions Club of Imphal
HL-P/0409/20

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, PATSOI**

**Ref. Mut. Case No. 425/SDC/IW (P) of 2021**

Tokpam Angoubi Leima W/o Late Manibabu Singh of Sangaiprou Mamang Leikai - Petitioner

-Vs-

Shree Tokpam Manibabu Meitei S/o (L) Santipur Meitei of Sangaiprou - O.P. Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

18/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তহশিলগী খুল নম্বর 84-Sangaiprou গী পাট্টা নম্বর 13 (Old) 46/429 (New) দাগ নম্বর 153/545 গী পোইন্ট .0865 একর চাওবা অঙনফৌগী পোইন্ট .0865 একর চাওবা লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মচা-মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 30-10-2021 ইংগী অয়ুক পূং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi
HL-P/0413/20

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST, HIYANGTHANG**

**Ref. Mutation Case No. 800/SDC/IW (H) of 2021**

Shree Madanjit Laishram S/o (L) L. Mangi Singh Malom Tuliyaima Awang Leikai

-Vs-

Shree Laishram Mangi Singh S/o (L) Ahanbi Singh Malom Tuliyaima

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 18/10/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 1-Malom Tuliyaima পাট্টা নং 215 (অরিবা) 284/740 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং 1006/1608 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.12 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 26-10-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang
HL-P/0414/20

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।